# হুইয়েন লানপাও

Vol. 42, Issue No.186 | থাংজ, লাংবন ১৯নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, September 29, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50




গুৱাহাটিদা পাঙথোকপা মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট-শিংগী এন এফ আর কন্সল্টেসন মীটিংদা ইন্নর মণিপুরগী এম পি ডো. থোকচোম মৈন্য শরুক য়াবা



মোইরাংগী আই এন এ কমপ্লেক্স অমসুং ফুবালা মখা মমাং লৈকায়দা পাঙথোকপা লম-তূ শেংদোকপদা সোসল ৱার্কর থোঙাম শান্তি শরুক য়াবগী শক্তম

লামায় ১



মহৈরোয় লূপ ৬কী জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা শকখঙদবা মীওই অমনা মৈ থারম্বদগী চাক্লবা দিজল ওটো রিক্সো অমা ময়াম্না য়েংনবগী শক্তম

লামায় ১



ভাইওলেসন ওফ হ্যূমেন রাইটস ইন মণিপুর হায়বা টোপিক্তা খৌবুম এরিয়া হায় স্কুলদা পাঙথোকপা এক্সটেম্পর স্পিচ চাংদন্নবা থৌরম

লামায় ৩

## থাউগী মমল

**ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট**

**পেট্রোল :** লিটরদা লুপা ৮১.৪০
**দীজল :** লিটরদা লুপা ৭২.৬১

# নোংমৈ মাঙখিবগী কেসতা এন আই এনা মীওই ৮গী মথক্তা চার্জসীট ফাইল তৌখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২৮(ঐচএনএস): অনীশুবা বট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলসতা লৈবা দি জি পূল কোটতগী নোংমৈ মাঙখিবগী কেসকা মরী লৈননা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ)না মীওই ৮গী মথক্তা চার্জসীট ফাইল তৌখ্রে।

চার্জসীট ফাইল তৌখ্রবা মীওইশিং অদুদি লাইশ্রম অনিলকুমার, থোকচোম জেমস, পাওনম শান্তিকুমার, হাওবম ব্রোজেন্দ্রো, ঙম্বোই হাওকিপ, নেলি কাটিল পোদিয়ান দামোদরন, এম হিরঞ্জয় অমসুং লাইশ্রম দামুদোরনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা এন আই এনা ইনভেষ্টিগেসন চথুবদা নাইন এম এমগী পিষ্টোল ২০ অমসুং মেগজিন মঙা ফাগৎপা লৈখ্রবনি। কেস অসিগা মরী লৈননা এম এল এ য়ামথোং হাওকিপ য়াওনা মীওই ৯ ফাগৎখি।

মাঙখ্রবা পিষ্টোল ৫৬কী মনুংদা অহুমদি তোঙান-তোঙানবা মিলিটেন্ট গ্রুপশিংদগী ফাগৎপা ঙমখি। কেস অসিদা চেন্নবা মীওইশিং ৱাহং-পাউহং চথুবদা এম এল এ য়ামথোং হাওকিপসু থৌদোক অসিদা চেন্নে হায়বা খঙলকখিবনি।



এম এল এ য়ামথোং হাওকিপ

কুমজা ২০১৪ দগী হৌরগা চহী ৪গী মনুংদা নাইন এম এমগী পিষ্টোল ৫৬ মাঙখিবগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা এন আই এদা থিগৎনবা খঙহনখি। এন আই এনা থিগৎপদা ৯ এম এমগী পিষ্টোল ৫৬ অমসুং মেগজিন ৫৮ অনীশুবা মণিপুর রাইফলসকী আর্মসকোটতগী মাঙখ্রে হায়বা খঙলকখি। কেস অসিগা মরী লৈননা অনীশুবা মণিপুর রাইফলসকী ইমপ্লোয়ী অনী ফাগৎখি। কুমজা ২০১৬ তনা মীওই মরি ৯এম এমগী পিষ্টোল অমা অমসুং মেগজিন ৩গা কোন্ননা ফাগৎখি। মণিপুর লৈঙাক্লা কেস অসিগা মরী লৈননা আই পি এস ওফিসর অমা য়াওনা অৱাংবা থাক্কী পুলিস ওফিসর মরি সস্পেন্দ তৌখি।

এন আই এনা কেস অসি পায়রবা মতুংদা চেন্নবা মীওই কয়া ৱাহং-পাউহং চথুখিবগা লোয়ননা এম এল এ য়ামথোং হাওকিপসু থৌদোক অসিদা চেন্নে হায়বা খঙলকপদগী এম এল এগী ক্বার্টরদা থিবা-হুম্বগী থবক চথুবদা শেল ওইনা লুপা লাখ ২৬.৪০, ...মখা লামায় ৩ কলম২

## সী এমনা এম য়ু কম্যুনিটিদা ঙসি ৱারী শাননবা চেবাউ থাখ্রে

### ওটোরিক্সো ১ কৈশাম্পাৎতা মৈ থারম্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮(ঐচএনএস): এন ঈ লাইভকী পেনেল দিস্কসনদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিএসন (মুটা)গী প্রসিদেন্টনা হৌজিক ওইরিবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ৱাথোক্কী মতাংদা ৱারী শানসি হায়রক্লগদি শরুক য়াগনি হায়খিবা মতুংইন্না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনন হয়েং অয়ূক পুং ১০ তাবদা ৱারী শাননবা এম য়ু কম্যুনিটিদা চেবাউ থাখ্রে।

লৈঙাক্কী পাউনা হায়, ৱারী শানসি হায়বদু মুটাগী প্রসিদেন্ট/জেনরেল সেক্রেটরি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টাফ এসোসিএসন (মুসা)গী প্রসিদেন্ট/জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)গী প্রসিদেন্ট/জেনরেল সেক্রেটরিদা এদ্রেস তৌরগা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরি এন জিওফ্রেনা খূৎয়েক পীদুনা থাখিবনি।

অমরোমদা, মহৈরোয় লূপ তরুক্না কৌখিবা পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক ঙসি অহিং লোইশিনখ্রে। জেনরেল ষ্ট্রাইক চথরিঙৈ মনুং নুংথিলগী পুং ১.৩০ রোম তারকপদা পেসেঞ্জর ওইনা দিজল ওটো রিক্সো (এমএন০১এ বি ০২০৭)দা তোংলগা লাকপা মীওই অমনা কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদা খামহল্লবা তুংদা পেট্রোল হৈজিন্দুনা মৈ থারম্লে। থৌদোক অদুদা ওটো রিক্সো ড্রাইভর অমসুং পেসেঞ্জর নুপী অমা অশোক অপন নংখি। গাড়ী অদুদি মীয়াম হুপচিন্দুনা কলহৌবদগী কা হেন্না অমাঙ-অতা থোকহৌদ্রে।

পাউ অসিনা হায়, ওটোরিক্সো অদু মালোমদগী পেসেঞ্জর নুপী অনী পুরগা ইম্ফাল তম্না টিদ্দিম লম্বীদা হাইগৎলকখি। ওটোরিক্সো অদুদা তোংলকপা নুপী অনীগী মনুংদা অমা হোদাম লৈরক্কী মপা য়ৌফাৎত্রিঙৈদা কুমহৌরগা অতোপ্পা নুপী অমা গাড়ী অদুদা তোংলকখি। ওটোরিক্সো অদুনা হোদাম লৈরক মপা য়ৌরকপদা পোলিথিন অমুবা অমা পায়বা নুপা অমা গাড়ীদুগী মনিংদা তোংলকখি।

ওটোরিক্সো অদুনা কৈশামপাৎ য়ৌরকপদা নুপী অমসু কুমহৌখি। ওটোরিক্সো অদুনা মফম অদুদগী অমুক ৱাহেংবম লৈকায় তম্না থৌরকখি। মদুদা গাড়ী অদুদা পেট্রোল মনম খরা ফাওরকখি। গাড়ী ড্রাইভরনা থোইনা খল্লুদবনা গাড়ী অদু থৌরগা লাকপদা কৈশামপাৎ মুতুম লৈরক মপা য়ৌরকপদা তুংদা তোংলকপা নুপা অদুনা গাড়ী অমুক্তা খাম্মু অদুগা নুপী অদুসু কুম্বীয়ু হায়রকখি। অদুবু তোংলিবী নুপী অদুনা ওটো রিক্সো অদুদা অকায়-অতোয় থোকহনগদৌরে হায়-রকপদগী ড্রাইভর অদুনা খংথৌ থৌখি। মদুদা ওটো রিক্সো অদু এক্সিদেন্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## লম-তূ শেংখ্রে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২৮ : লময়ানবা হিজম ইরাবতকী নীংশিং কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা সোসল ৱার্কর থোঙাম শান্তি অমসুং কুমাম লৈকায় দিভলপমেন্ট কম্মিটি, কুমাম লৈকায় ৱিমেন কোওপ-রেটিব সোসাইটি লিমিটেদকা চুংশিন্নরগা আই এন এ মেমো-রিএল কমপ্লেক্স অমসুং লৈকায় অসিবু তরু-তনান্না থম্নবগী পান্দমদা লম-তূ শেংদোকখ্রে। লম-তূ শেংবগী থৌরম অদুদা মোইরাং কেন্দ্র প্রোগ্রেসিব ফ্রন্টকী থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরম অসিগী মখাদা ফুবালা জি পিগী ফুবালা মখা মমাং লৈকায়দসু থোঙাম শান্তিনা শরুক য়াদুনা লম-তূ শেংবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

## সু মোটো কেস

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২৮ : লৈশেম্বা মহৈকোল কংলা চীংঙারেলদা অঙাং অমা ঈশিংদা তারগা লৈখিদবা থৌদোক্কী মতাংদা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস অমদি দি সী পি য়ু ইম্ফাল ইষ্টকী টিম অমনা স্পোট ইনক্বারি তৌবগা লোয়ননা সু মোটো কেস অমা লৌখৎলে হায়না কম্মিসন অসিগী চ্যেরপার্সন সুমতিবালানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, এম সী পি সী আরগী চ্যেরপার্সননা লুচিংবা টিম অদুনা লৈশেম্বা মহৈকোল কংলা চীংঙারেলদা চৎতুনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

## HL POLL

**Q : General Striketa meeyam thoraktuna lambi thingkhidabadu bandh pamdabagini haina louba yabra?**

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q : Maheiroi lup 6 ki general strike mapung fai haina louba yabra?**

Yes 55% No 45%

## লমকোয় উচেক ২৫গা কোন্ননা মীওই ২ ফারে

**লমলক্কী শা-উচেক হাৎপদা চেন্নবশিং এক্সন লৌগনি : ফোরেষ্ট মিনিষ্টর শ্যামকুমার**

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২৮(ঐচএনএস): থৌবালগী ইকোপ পাৎকী খাঙবোক অমদি তেন্থা তায়নবা মফমদগী লমকোয় উচেক ২৫ গা কোন্ননা শাদানবা অনী ঙসি ফারে হায়না পিপল ফোর এনিমেলস মণিপুরগী মেনেজিং ট্রষ্টি এল বিশ্বজিৎ মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, পিপল ফোর এনিমেলসনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী, অয়ুক মল্লিঙৈদগী লুমদুনা লৈরগা শাদানবশিং অদু ফাবা ঙমখিবনি। ফারবা মীওই অনী অদুদি তেন্থা হৈবুং মমাঙ লৈকাইদগী এম তোম্বা মৈতৈ অমদি খাঙবোক মখা লৈকাইদগী এস ব্রজমনিনি। মখোয়দগী অহিংবা উচেক ১৪ অমসুং অশিবা উচেক ১১ ফংবা ঙমখি। তুংদা মখোয় অনী পি এফ এ মণিপুরগী টিমনা দি এফ ও থৌবালদা শিনখ্রে। অহিংবা উচেকশিং অদুনা পি এফ এ মণিপুরগীদা য়োক থাক্কুনা থল্লি। থৌবালগী আর ওগী ষ্টাফকা লোয়ননা অহিংবা উচেকশিং অদু লোক্তাক পাৎতা থাদোকখ্রগনি। শাদানবা অনী অসিদগী দি এফ ও থৌবালনা ফাইন ওইনা লুপা ২০,০০০ খোমগৎখ্রে। পিপল ফোর এনিমেলস মণিপুরনা শা-উচেকশিং মরু ওইনা লমকোই উচেকশিং ফাবিদনবসু আপিল তৌরক্লি।

অমরোমদা, লমলক্কী শা-উচেক হাৎপদা চেন্নবশিংগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌগনি হায়না ফোরেষ্ট এন্দ ইনভারনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যু সেক্রেটরিএটতা লৈবা মিনি-ষ্টরগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## আর্মি ওফিসরশিংগী ৱাকৎ : সুপ্রিম কোর্টনা ৱায়েল রিজার্ভ তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২৮(এজেন্সি): জষ্টিস মদন ভীমরাও লোকুর অমদি জষ্টিস উদৈ উমেস ললিততা মণিপুর ফেক ইনকাওন্টর কেসশিংগী হীয়ারিং চথুহন্দনবা য়াথং পীয়ু হায়না থবক্তগী পোত্থাখ্রবা অমসুং হৌজিক-হৌজিক থবক তৌরিবা আর্মি ওফিসরশিংনা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমগী ৱায়েল সুপ্রিম কোর্টনা রিজার্ভ তৌদুনা থমখ্রে।

মমাঙদা অরোনবা মীহাৎকী কেসকা মরী লৈননা চার্জসিট থাঙ্গৎখ্রবা মণিপুর পুলিসকী পর্সনেলশিংনা কেস অসিগী হীয়ারিং চথুবিগনু হায়না ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অমা সেন্টরনা শৌগৎখি। জষ্টিস লোকুর অমসুং জষ্টিস ললিতগী বেঞ্চনা পিটিসন অসিগী ৱায়েল রিজার্ভ তৌদুনা থমখিবনি।

কেস অসিগী হীয়ারিং চথুরকপদা এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা কোর্টতা হায়খি, মদুদি পুলিস ওফিসরশিং মীহাৎপনি হায়না ফোঙদোকখিবনা আর্মদ ফোর্সেস অমসুং পুলিসকী মোরেলদা অকায়বা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মুসু : লান্না হাপখিবা ওজা য়ুগিন্দ্রো, শ্যামকেশো খুদক্তা লৌথোক্কদবনি

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২৮(ঐচএনএস): ভি সী পান্দে অমদি মহাক্কী প্রোক্সি/এজেন্ট এম য়ুদা চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা এদমিনিষ্ট্রেটিব পোষ্ট পায়হন্নবা হোৎনরিবা অদু য়ারোই। লান্না হাপখিবা ওজা য়ুগিন্দ্রো অমদি ওজা শ্যামকেশো খূদক্তা লৌথোক্কদবনি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)গী প্রসিদেন্ট দয়ামননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হৌজিক ভি সী ইন-চার্জ অমদি রেজিষ্ট্রার ইন-চার্জ ওইশিন্দুনা লৈরিবা ওজা য়ুগিন্দ্রো অমদি শ্যামকেশো খূদক্তা লৌথোক্তুনা য়ুনিভর্সিটিগী থবক চথুগদবনি। সেপ্টেম্বর ২০গী নোংয়াইদা এম য়ুদা চথুখিবা পুলিস এট্রোর্সিটিজ অদুগী মথক্তা জুদিসল ইনক্বারি তৌগদবনি।

সী এমগী আপিল অদু অরানবা, হায়জিনবা, লোজিকেল ওইদবা অমদি তায়ওন্নবনা পীক থল্লি। মে ৩০ দগী ঙসি ফাওবা চথুরক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা সী এমনা য়াম্না হোৎনখি হায়না ৱারী লিখি। ৱারিবসি করিগীনো? মহাক বি জে পি নত্তৱা, বি জে পি ওইরবদি ৱানিংঙাই করি লৈবগে? মণিপুরগী বি জে পিগী মৱা সেন্টরগী বি জে পিনা লৌদৱা? ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদুগী মনুংদা ৱাহন্থোক কয়া ফুমদুনা য়াওই। সী এমগী আপিল অদুগী অহৌবদা মীয়ামগী পাউতাক নিখি। অরোইবদদি মীয়াম মখল খূদিংমকপু কিহল্লি। গাড়ী অমদি দুকান হাংদ্রবদি লাইসেন্স কক্কনি হায়না কিহল্লি। লৈঙাক অসি করম্বা দেমোক্রেসিনো? ইন্দিয়া পূম্বদা বন্দ ওপোজিসন পার্টিশিংনা তৌখিবদা সেন্টরগী লৈঙাক্লা কিহনখিদে। আপিল অদুগী শরুক অমদা এম য়ু কম্যুনিটি অমদি মহৈরোয় কম্যুনিটিনা ৱারী শানসি হায়। নাকল অমদনা কিহল্লি। ফাগদবা ৱাৎলি হায় হায়রি।

সী এমনা ইন্দিপেন্দেন্ট ইনক্বারি হায়বগা ইচম চম্বা ইনক্বারি হায়বগা অনী অসিগী খেন্নবা অসি ময়েক শেংনা খঙদবা মাল্লি। মুটানা ইন্দিপেন্দেন্ট ইনক্বারি তৌবীয়ু হায়না সী এমদা হায়বসি মে ৩০গী ...মখা লামায় ৩ কলম৬

## 'মৈরাগী রেলি চৎপিয়ু'

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮(ঐচ এন এস): এমসু, এইমস, দেসাম, কে এস এ, এম এস এফ অমসুং সুক্লা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা চঙশিল্লিবা খোঙজং শৌগৎপা ওইনা হয়েং নুমিদাং ষ্টেট অসিগী মফম শিনবা থুংনা মৈরাগী রেলি চৎপিয়ু হায়না আপিল তৌরক্লি।

মহৈরোয়শিংগী লূপ তরুক্না পুন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি হনবা লৈতনা চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌরে। খোঙজং অসিবু শৌগৎপা ওইনা হয়েং লৈকাই-লৈকাইগী মৈরা পায়বী, ক্লব অমদি ইমা-ইবেল খুদিংমক্না ইশাগী তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাংনি খন্না মৈরাগী রেলিদা শরুক য়াবিয়ু।

চেরোল অসিনা হায়, এম য়ুগী ৱাথোক অসি সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না থোকহনবনি। মতম পুন্নমক্তা সেন্টর অমদি লৈঙাক্না প্রোফেসর এ পি পান্দে কনখৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি। লোয়ননা খুৎচাবী ভাইস চান্সেলর, রেজিষ্ট্রর হাপ্পনবা হোৎনরক্লি। সেপ্তেম্বর ২০ অমদি ২১ গী লোন্নবা অহিংদা থোকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা মহৈরোয় লূপ তরুক্না চঙশিল্লিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী মতাংদা মহৈরোয়শিংবু লান্না উহন্নবা শেমজিন-শাজিনবা ৱাফম কয়া শন্দোক্লি। সিক্যুরিটি ফোর্সনা মীওই কয়া থাদোক্তুনা কিহনবগী থৌওং চথুরবসু জেনরেল ষ্ট্রাইক মপুং ফাহনখিবগীদমক মহৈরোয় লূপ তরুক্না মীয়াম্বু থাগৎলক্লি।

HL-B/4887/28,29,30/9

## এম এস এফ : ফানবা তান্নবা তোক্কদবনি


ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ২৮(ঐচএনএস): মহৈরোয় লুচিংবশিংবু লাল-হৌবগী কেস পানশিল্লগা ফানবা হোৎনরিবা অসিমক খূদক্তা লেপকদবনি হায়না এম এস এফনা ৱার্নিং তৌরক্লি।

লূপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি তাওরেম মার্জিংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লৈঙাক্কী খোঙথাং হন্দোক্ত্রবদি জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিদগী হেন্না কনবা অতোপ্পা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্লবা ইনভাইট তৌবনি হায়না লৌরগা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## অস! লোইরেহে!
















ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫